মঙাশুবা ষ্টেটহুদ ৱিমেন'স ইন্টরনেসনল পোলো টুর্নামেন্ট ২০২০

# অর্জেন্টিনানা ইন্দিয়া এবু পাঞ্জল ১৩-২দা, য়ু এস এনা ইজিপ্টপু পাঞ্জল ৮-১দা থোইখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৮(ঐচএনএস): মণিপুর টুরিজম দিপার্টমেন্ট অমসুং ওল মণিপুর পোলো এসোসিএসন অনীনা খূৎশম্নদুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা চথরিবা মঙাশুবা ষ্টেটহুদ ৱিমেন'স ইন্টরনেসনল পোলো টুর্নামেন্ট ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা অর্জেন্টিনানা ইন্দিয়া এবু পাঞ্জল ১৩-২দা অদুগা য়ুএসএনাইজিপ্টপু পাঞ্জল ৮-১দা থোইখ্রে।

টিম তরুক্তা শরুক য়াদুনা চথরিবা মঙাশুবা ষ্টেটহুদ ৱিমেন'স ইন্টরনেসনল পোলো টুর্নামেন্ট ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দদা ইন্দিয়া এ অমসুং অর্জেন্টিনা লম্বা তৌনখি। মেচকী অহানবা চক্র হেক হৌরকপগা অর্জেন্টিনানা হেন্না ফজনা শান্নরকপনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নরকখি। চক্র অসিদা অর্জেন্টিনাগী মায়কৈদগী কাটালিনানা পাঞ্জল অহুম, ইস্পরঞ্জানা পাঞ্জল অমা চনখি। ইন্দিয়া এগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমদনা লৈখি। অহানবা চক্র অসিদা অর্জেন্টিনানা ইন্দিয়া এবু পাঞ্জল ৪-০দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা চক্রদা মখা তানা অর্জেন্টিনানা হেন্না ফজনা শান্নরকপনা সিলেনানা পাঞ্জল অহুম চনখি। ইন্দিয়া এগী মায়কৈদগী সনয়া সুহাগনা পাঞ্জল অমা চনখি। অনীশুবা চক্র ফাওবদা অর্জেন্টিনানা ইন্দিয়াবু পাঞ্জল ৭-১দা মাঙজিল থাখি।

অহুমশুবা চক্রদা অর্জেন্টিনাগী মায়কৈদগী জাজমির, ক্লেরা হেগেনা পাঞ্জল অমমম চনখি। ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মোনিকানা পাঞ্জল অমা চনখি। মেচকী অরোইবা চক্রদা মখা তানা অর্জেন্টিনাগী সিলিনানা পাঞ্জল অহুম, চারানা পাঞ্জল অমা চনখি। মেচ অসি অর্জেন্টিনানা ইন্দিয়া এবু পাঞ্জল ১৩-২দা মায়থীবা পীখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা য়ুএসএ অমসুং ইজিপ্ট লম্বা তৌনখি। মেচ অসি য়ু এস এনা ইজিপ্টপু পাঞ্জল ৮-১দা চাউনা মায়থীবা পীখি। য়ু এস এগী মায় পাকপগী পাঞ্জল অদু পামেলা জর্সি নম্বর ২না পাঞ্জল ৪, কারোলিন জর্সি নম্বর ৪ (রিজার্ভ) না পাঞ্জল অনী, ব্রিদগেট সিবসন জর্সি নম্বর ১, অলিসন জর্সি নম্বর ৩না পাঞ্জল অমমম চনখি। ইজিপ্টকী পাঞ্জল অদুনা মনাহ জর্সি নম্বর ৩না চনখি।

# তরাহুমদোইশুবা মেগা মরাথন মণিপুর ফেব্রুৱারী ১৩দা পাঙথোক্লগনি




ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৮(ঐচএনএস): য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ু পি এফ) মণিপুরনা শীন্দুনা হৌখিবা চহী ২০০৭তগী হৌদুনা রন ফোর য়োর নেসন হায়বা থিমদা য়ূম্ফম ওইদুনা চথরক্লিবা ১৩শুবা মেগা মরাথন মণিপুর লাক্লিবা ফেব্রুৱারী ১৩তা পাঙথোক্লগনি হায়না ঙসি য়ু পি এফকী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবদা য়ু পি এফকী প্রসিদেন্ট দল্লিয়ু সেকেন্দনা ফোঙদোকখ্রে।

দল্লিয়ু সেকেন্দনা মখা তারদুনা, মরাথন অসি মমাঙ চহীদা পাঙথোক্লবা শেম শারম্বনি। অদুবু লৈবাক্কী ঈরাংনা মরম ওইদুনা য়ৈথোকখিবনি। মরাথন অসিবু শরুক য়ানবা হান্নবা ফোর্ম পীশিনখ্রবা মীওইশিং নত্তবা অনৌবা শরুক য়ানীংবশিংগী ওইনা লাক্লিবা ফেব্রুৱারী ১৩ ফাওবদা ফোর্ম পীশিনবা য়াগনি। মেগা মরাথন অসিবু হেন্না মপূং ফানবগীদমক তোঙান তোঙানবা ক্লব, এসোসিএসনশিংনা মতেং পাংবীয়ু। লোয়ননা শরুক য়াবীয়ু। তোঙান তোঙানবা লূপশিংনসু বন্দ অমদি ব্লোকেদনচিংবা তৌবীদনবা আপিলসু তৌখি।

মেগা মরাথন অসি খুমন লম্পাক্তগী লমথারগা চীংমৈরোং খোংনাং অনী কারক, থাংমৈবন্দ, নাগামপাল, রিমস রোদ, সুব হোস্পিটালদগী নাওরেমথোং, তেরা বজার, সয়াং পুখ্রি, ময়ায় লম্বীদগী পিশুম থোং, শিংজমৈদগী কোংবা, অয়াংবল্লিদগী লমলোং বজার তারবা মতুং খুমন লম্পাক্তা লমথুংফম ওইগনি।

মরাথন অসি অশাংবা অসি কিলোমিটর ২১.৫ ওইগনি। মরাথন অসিগী কেশ প্রাইজ ওইনা ফর্ষ্ট, সেকেন্দ, থর্দ তাবা নুপা অমসুং নুপীশিংদা শেলগী মনা লুপা লিশীং ৪০, লিশীং ২০ অমদি লিশীং ১০ পীগনি। কন্সোলেসন প্রাইজ ওইনা মরিশুবদগী ১৫শুবা পোজিসন ফাওবদনা শেলগী মনা লুপা লিশীং ৩ লোয়ননা সার্টিফিকেট পীগনি হায়খি।

মরাথন অসি হেন্না মপূং ফানবগীদমক মীয়াম পূন্না শরুক য়াদুনা ইমা লৈবাক মণিপুরগী মীপূম খুদিংমকপু তিঞ্জং কায়জংদবা, মশা মউ ফবা, মতিং লৈবা মীওই অমা ওইহন্নবা অমদি অফবা খুন্নাই অমা ওইহনবদা মতেং পাংবীয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

এলাংবম পিশক মেমোরিএল ষ্টেট লেভেল মেন্স বোল্লিবোল

# এম পি এস সী অমসুং ৱাই পি এ ফাইনেলদা থেংনরগনি



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৮(ঐচএনএস): ওল মণিপুর বোল্লিবোল এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা সেকমাইজিন থোঙাম দিভলপমেন্ট এসোসিএসন্না শীন্দুনা থা অসিগী ১৪দগী হৌদুনা চথুরকখিবা অনীশুবা লেট এলাংবম পিশক সিংহ মেমোরিএল ষ্টেট লেভেল মেন্স ওপন বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা সেমী ফাইনেল মেচতা মায় পাক্তুনা এম পি এস সী অমসুং ৱাই পি এ ফাইনেলদা থেংনরগনি।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দগী অহানবা সেমী ফাইনেল মেচতা এম পি এস সী অমসুং কে ৱাই এল এস সী লম্বা তৌনখি। মেচ অসিদা এম পি এস সীনা কে ৱাই এল এস সীবু সেট ৩-০ (২৫-২৩, ২৫-২১, ২৫-১৫)দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি।

অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচতা ৱাই পি এ অমসুং ৱাই এম দি ল লম্বা তৌনখি। মেচ অসিদা ৱাই পি এনা ৱাই এম দি ওবু সেট ৩-২ (২৩-২৫, ২৬-২৪, ১৫-২৫, ২৫-১৯, ১৫-১১দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চংখি। হয়েং নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা এম পি এস সী অমসুং ৱাই পি এ ফাইনেলদা থেংনরগনি।

লোইশিনবগী থৌরমদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী দেপ্যুটি স্পিকর কোংখাম রোবিন্দ্রো, ৱাঙ্গৈই এ সীগী এম এল এ ওইনাম লুখোই, এ এম ভি এগী হোনরেরি সেক্রেটরি লোংজম বালেশ্বর, লমজাওতোংবা জি পিগী প্রধান এলাংবম ওংবী সুশিলা, সেন্ট্রেল সর্কলগী কঞ্জার্ভেসন ওফ ফোরেষ্ট লোংজম জয়কুমারনা মথংশিংনা প্রসিদেন্ট, চীফ গেষ্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াগনি।

ফর্ষ্ট মোইরাংথেম জোধিসচন্দ্র মেমোরিএল ইনভাইটেসন ফুটবোল

# সনরাইজ ক্লব কদমতলানা বি বি য়ু বরাক সর্কল টিমবু পাঞ্জল ৫-১দা মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৮ (ঐচএনএস): ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসন (এ জে এস এ) না শীন্দুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্লেগ্রাউন্দদা থা অসিগী ৩দগী টিম ১৬না শরুক য়াদুনা চথরিবা ফর্ষ্ট মোইরাংথেম জোধিসচন্দ্র মেমোরিএল ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০ গী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল লীগকী মরিশুবা মেচতা সনরাইজ ক্লব কদমতলানা বি বি য়ু বরাক সর্কল টিমবু পাঞ্জল ৫-১দা মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে।

ঙসিগী মেচ অসিদা বি বি য়ু বরাক সর্কল টিমনা টোস ঙমদুনা মায়কৈ খনখি। অদুগা সনরাইজ ক্লব কদমতলানা বোল কাওবা হৌখি।

অহানবা হাফতা সনরাইজ ক্লব কদমতলাগী শান্নরোয় এস নাওবনা মেচকী ২৬শুবা অমদি ৩২শুবা মিনটতা পাঞ্জল ২ চনখি। টিমমেট ৱাই জয়চন্দ্রনা ৩৭শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা হাপচিনখি। অদুগা বি বি য়ু বরাক সর্কলগী শান্নরোয় জাপলেনা মেচকী ২৮শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চন্দুনা অহানবা হাফ মমাঙদা সনরাইজ ক্লব কদমতলানা বি বি য়ু বরাক সর্কলবু ৩-১দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাফ মতুংদা সনরাইজ ক্লব, কদমতলাগী শান্নরোয় এস নাওবনা মেচকী ৮৬শুবা মিনট অমদি পি মনিস্নানা মেচকী ৭৪শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমমম চন্দুনা অপীবা মতমদা সনরাইজ ক্লব কদমতলানা বি বি য়ু বরাক সর্কলবু পাঞ্জল ৫-১দা মায়থীবা পীখি।

সনরাইজ ক্লব কদমতলাগী শান্নরোয় কে ঐচ অবরুলবু মেচকী ৪১শুবা মিনট অমদি বি বি য়ু বরাক সর্কলগী শান্নরোয় রামপাননা মেচকী ২২শুবা, রেমসাংবু মেচকী ৬৬শুবা মিনট অমদি মোয়ানা মেচকী ৭২শুবা মিনটতা রেফরিনা অনস্পোর্টিং বিহেবিয়রগীদমক য়েলো কার্দ বুক তৌখি। ঙসিগী মেচ অসিদা কে ঐচ নিলকমলনা সেন্টর রেফরি, সাটসুং অমদি এল অনিলনা এৱান অমদি এ টু লোয়ননা ও বিসেশ্বরনা ফোর্থ রেফরি ওইনা শরুক য়াখি।

# মণিপুরগী বোক্সর ১৬ সেমী ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৮(ঐচএনএস): অসামনা য়ূম্বু ওইদুনা গুৱাহাটিদা চথুরিবা ৩শুবা খেলো ইন্দিয়া য়ুথ গেমস ২০২০গী বোক্সিং মশান্নদা মণিপুরগী নুপীমচা অমসুং নুপামচা পূন্না বোক্সর ১৬ সেমী ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

সেমী ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রবা বোক্সরশিং অদুদি য়ু -১৭ বোইজ কেটেগোরিগী কেজি ৪৮ মখাগী কাঙলূপ্তা এস য়াইফবা, কেজি ৫২ মখাগী কাঙলূপ্তা পি কিংসন, কেজি ৫৪গীদা অথৌবা, কেজি ৫৭ মখাগীদা এল রোবিনসন, কেজি ৬০ মখাগীদা এন রোহিটনি।

সেমী ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রবা য়ু-২১ বোইজ কেটেগোরিগী কেজি ৫৬কীদা ভিক্টর, কেজি ৫৬ মখাগীদা এল বিলাটসন, কেজি ৪৯ মখাগীদা এস বরুননি। নুপীমচাগী য়ু-২১ কেটেগোরিগী কেজি ৫১গীদা এস রেবিকা, কেজি ৫১ মখাগীদা বেবিরোজিস্না, কেজি ৬৪ মখাগীদা এন মেনহা, কেজি ৭৪ মখাগীদা সনামচা চনুনি।

নুপীমচাগী য়ু-১৭ কেটেগোরিগী কেজি ৫২গীদা এস বিজেতা, কেজি ৫৪ মখাগীদা ইথোইবী, কেজি ৫৭কীদা অম্বেশোরি, কেজি ৬০ মখাগীদা কুঞ্জরানিনি।

# সী সী মীটকী ফাইনেল মেচ শান্নরগনি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৮(ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন্না শীন্দুনা পাঙথোকপা ৬২শুবা সার চুড়াচান্দ সিংহ কে সী এস আই, সী বি ঈ মেমোরিএল ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০গী ফাইনেল মেচ হয়েং খুমন লম্পাক্তা শান্নরগনি।

ফাইনেল মেচ অসি নেরোকা অমসুং এস এস য়ু শিংজমৈনা নুংথিল পুং ১.৩০ তাবা মতমদা শান্নগনি।


# মেমথোই ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৮(ঐচএনএস): ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কেরোম এসোসিএসন্না শীন্দুনা থা অসিগী ১৪দগী হৌদুনা উরিপোক হুইদ্রোম লৈকায়দা লৈবা শ্রীশ্রী গৌর গোবিন্দ মান্দপতা চথরিবা মঙাশুবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কেরোম টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০২০গী ঙসি শান্নখিবা ৱিমেন্স সিঙ্গলসকী সেমী ফাইনেল মেচতা মেমথোইনা সুজতাবু পোইন্ট ২৫-১০, ২৫-১৫দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে।

# এম দি ইশাদনা গোল্ড মেদল লৌখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৮(ঐচএনএস): এম এ এম টি এনা শীন্দুনা খুমন লম্পাক্তা লৈবা বোক্সিং এরেনাদা চথুরিবা ৮শুবা এম এ এম টি এ ষ্টেট লেভেল অমেচর মুইএ-থাই চেম্পিয়নশিপ ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা সব জুনিয়র বোইজকী কেজি ৩৫দগী ৩৮ ফাওবগী মেচতা এম দি ইশাদনা গোল্ড, এম দি মুষ্টালিদনা সিলভর অদুগা এম দি মুসকাননা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখ্রে।










Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com